**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08.06.2024)**

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মনিপুর সরকারনা ঙসি অহেনবা কম্মান্দো ফোর্স থাজিনদুনা ইরাং অসি লাকশিন্নবা হোৎনরি। জিলা অসিগী বোরোবেক্রা সব-দিভিজনগী মফম খরদা চাউনা উংখৎনবা লৈরি হায়রি।

জিলা অদুদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদু য়েংলগা জিরিবামদা লৈবা মৈরা পায়বী লুপশিং-এ.জি.এম.পি-জিমপাল, ডব্লিয়ু.এ.এস.ই.দি, জে.আই.এন, ডব্লিয়ু.এ.কে. অমসুং ডব্লিয়ু. ডব্লিয়ু ও.কেগী লুচিংবশিংগী অপুনবা মীফম অমা জিরি দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হৌজিক ওইরিবা জিলা অসিদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিবু সরকারগী মায়কৈদগী অকনবা মীৎয়েং চংবীনবা আপিল তৌরক্লি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওল জিরিবাম মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট-এস. সুসিলানা বিদ্যানাগর মল্টি পরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীয়ামগী চান-থকবা অমসুং তঙাইফদবা হকশেলগী খুদোংচাবশিং পীবিনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা হোৎনবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

মরক অসিদা, মনিপুর সরকারগী হুকুম অমগী মতুং ইন্না জিরিবামগী এস.পি. এ. ঘনাশ্যাম শর্ম্মবু এদিসনেল দাইরেক্তর মনিপুর পুলিস সেন্টর ওইনা নৌনা পোষ্টিং পীরে। মনিপুর ত্রেন্নিং সেন্টরগী দাইরেক্তর ইন-চার্জ ওইরিবা এন. প্রদিপ সিংহবুনা জিরিবামগী সেনিয়ার এস.পি. ওইনা হাপখ্রে। মসিগী মথক্তা ইন্টিলিজেন্স অমসুং নাবকী আই.জি.পি. ওইরিবা কবিব কেবু হান্নগী পোষ্টিং অসিগী মথক্তা এম.পি.টি.সিগী দাইরেক্তরগী থৌ পুরগনি। মসিগী মথক্তা ইন্সপেক্তর-এস. ইবোতোম্বী সিংহবু জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি.

ওইনা অমসুং জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি. ওইরম্বা-ঐচ. দেবেনকিশ্বর সিংহনা সি.আই.দি. সেক্যুরিতি ওইনা ত্রান্সফর তৌরে হায়রি।

রোংমৈ নাগা কাউন্সিল-মনিপুর, জিরিবাম লুৱাংরিয়াননা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা গুলাথোরদগী মীওই অমা হাৎখিবা অমদি ভেংনুৱাম দিবোং খুনৌ-জিরিবামদগী মীওই অমবু শকখঙদবশিংনা ফাখিবগী থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অমদা, লুপ অসিনা হায়-থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা জিলা অসিদা লৈবা য়ুম কয়া হৌখিবা শগোলশেলগী নুমিদাংদা মৈ থাখিবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। জিরিবাম অসি মহৌশাদগী হৌনা ইংনা তপা জাতি কাংলুপশিংনা খুন্দামীনরকপা মফম অমনি। মরম অদুনা জিলা অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক অথুবা মতমদা শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনবীয়ু হায়না মখা তারি।

**সিএম (এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-অনুসিয়া ৱিকেগা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা মনিপুর ভবনদা উন্নদুনা জিরিবাম জিলাদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে হায়রি।

উন্নবা অদুদা রাজ্যপালনা ইরাং অদু লাকশিন্নবা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবা মুখ্য মন্ত্রিদা খঙহনখি। ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা ঈচাওনা মরম ওইদুনা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পীনবসু রাজ্যপালনা মুখ্য মন্ত্রিদা খঙহনখি।

**বিমোল (এল)ঃ** নৌনা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম.পি. খল্লবা ডা: বিমোল অকোইজমনা হায়রি-জিরিবামদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা শোক্লবা মীয়াম অমদি মখোয়গী লন-থুমশিং সরকারনা ঙাক শেনগদবনি।

পাউগী মীফম অমদা শ্রী বিমোলনা হায়-জিলা অসিগী মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং ঙাক শেনদুনা থম্বা হায়বসি তঙাইফদে। জিলা

অসিদা অহেনবা ফোর্স থাজিনদুনা ইরাং অসি লাকশিন্নবা অমদি মীয়াম অশোয় অঙাম থোক্তনবা সরকারনা থবক পায়খৎপীগদবনি।

**কোকোমি (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি লোয়শিন্নবা কেন্দ্র সরকারনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎনবা কোলর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না মরি লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

হৌখিবা চহি অমা অসিদা মাং তাকখিবা লন-থুমশিংগী দায়ত্ব কনানা পুগদগে হায়বদু কেন্দ্র সরকারনা খঙনা থবক পায়খৎকদবনি। চেরোল অদুনা হায়-থৌদোকশিং অসিদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী অৰাবশিংদা শরুক য়ারি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদগী মীওই মঙা কনবা ঙমলে হায়রি।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ম্যান্মার লান্মী অমদি রিভেল ফোর্সশিংগী মরক্তা ম্যান্মারদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মীওই মঙা অসি চেন্থোরকপদগী অসাম রাইফলসনা কনবা ঙমখিবনি।

চেরোল অদুনা হায়-রাজ্য অসিদা শান্তি লৈনবা অমদি ঙাকশেলগী থবক হেন্না কনখৎহন্নবা পান্দমদা তেংনৌপল জিলাদা অসাম রাইফলসনা ওপরেসন চত্থখি। ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা আই.জি.এ.আর. (সাউথ) তা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মীওই মঙা অসি মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখি।

**ইভিক্সন(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী খোঙবান অমদি ইরম নালাশিংগী মপানদা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা লৌথোকবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অমদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-খুমন্থেম দাইনানা হায়-তুরেল তোর্বানশিং অমদি নালাশিংগী মথক্তা আইন কায়না দুকানচিংবা শাজিল্লকপনা নোংজ থাগী মতমদা ঈশিং চেনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লি। মরম অসিনা মরী লৈনবশিংনা নোটিশ থোকপদগী নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা হায়রিবশিং অসি লৌথোক্কদবনি। করিগুম্বা লৌথোক্তবা তারবদি আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী থৌনাওজম খুলদা নৌনা শাবা থৌনাওজম কম্মুনিতি হোল, ইবুধৌ পাখংবা লাংমৈদোংগী গেট অমসুং মান্দপ ঙসি হিয়াংলম কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ডা: রাধেশ্যাম য়ুমামনা শঙ্গাখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এনা হায়-ৱাবগাই লমখাইদগী সেরৌ ফাওবগী ইন্দো-বরমা সুগুনু রোড অসুক্কী মতিক ফৎত্রিবা অসি শেন্বীনবা তক দুনা লাকপনি। অদুবু, রাজ্য সরকারগী শেল থুমগী ফিভম ফত্তবনা ঙসি ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোরক্ত্রি। মহাকা হায়-হৌজিমক্কী ওইনা লম্বী অসিদা লৈরিবা পোর্ট হোলশিং মেনশিন্নবা হোৎনরগনি।

**নোনে (এল)ঃ** কুমগী নোং লাকপগা লোয়ননা নোনে জিলাদা লৌমীশিং থবক চিন্নবা হৌরে। নোং মরাং কায়না চুবদগী লৌবুকশিংদা ঈশিং মরাং কায়না লৈবদগী লৌমীশিংনা লৌবুক্তা ফৌ থাবদা হেন্না খুদোংচাহল্লে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-কুমগী নোং মরাং কায়না চুরবদি জিলা অসিদা মহৈ-মরোং মরাং কায়না পুথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৌমীশিংনা ফোংদোরক্লি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** মহৌশানা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিং হায়বসিগী

মতাংদা মনিপুরদা হন্দক লেননা মাঙ তাকহনখ্রবা মীওইশিংগী ওইবা এৱারনেস কেম্পেইন অমা ঙসি নম্বোলগী নাউরেম খুলদা লৈবা পাম্হোইবী লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

পিপলস রিছোর্স দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসননা এক্সন এদ এসোসিয়েসনগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা অখঙ অহে কয়ানা খুদোংথিবা থোরকপা মতমদা করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**রেদ (এল)ঃ** ঈচাওনা শোকহল্লবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মীয়ামদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিনা থকবা অফবা ঈশিং খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। লাইরিকয়েংবম ময়াই লৈকাই ৱার্ড নম্বর ফোর অমসুং লাইফম খুনৌ অৱাং লৈকাইগী অৱাবা তারবা মীওইশিংদা সোসাইতি অসিনা মতেং পাংখি।

**খোরিরোল (এল)ঃ** খোরিরোল শন্দোক লুপ-ৱাংজিংগী ৪৭ লক শুবা মপোক নুমিৎ ঙসি ৱাংজিংদা লৈবা খোরিরোল শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা খোরিরোলগী চেফোং-ইথিল ফোংবগা লোয়ননা লাইশঙ শ্যামোগী ৱারী মচা লাইরিক 'ৱামৈবগী মৈরিদুনা' ফোংখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-ককচিংনা শিনদুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা এস.ডব্লিয়ু.সি. ৱাইখোংনা কে.এম.এস.দব্লিয়ু.সি. কৈরকপু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.ডব্লিয়ু.সি-কৈরকনা এল.আই.এ. ৱাংঙুবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ভারত লান্মীনা শিনদুনা লমলাই পুলিস ষ্টেসন অমসুং চালৌ য়ুথ ফুটবোল ক্লবকা খুৎশমরগা ইম্ফাল ইষ্টকী লমলাই চালৌ খুলদা চথরকপা চালৌ নোকআউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট লমলাই ফুটবোল ক্লবনা লৌরে।

টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী অহুমদগী চথরকখিবা টুর্নামেন্টকী ওসি শান্নখিবা ফাইনেলদা লমলাই ফুটবোল ক্লবনা শওম্বুং ষ্টুদেন্টস ক্লবপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ৰাশকঃ** কেন্দ্রদা অনৌবা সরকার ৰাশক লৌবগী শেম শাবা লোয়রে।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা বি.জে.পি. লুচিংবা শ্রী নরেন্দ্র মোদিবু অনৌবা সরকার শেমনবা বার্ত্তন তৌখ্রবনি। ৰাশক লৌবগী থৌরম হয়েং নুমিদাং পুং ৭ মিনিট ১৫ দা রাস্ত্রপতি ভবনদা পাঙথোক্কনি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা শ্রী নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কী মন্ত্রি-মন্দলবু থবক পায়বা অমসুং অরোইবা ঙাকপগী ৰাশক লৌগনি। শ্রী মোদিনা ঙরাং রাস্ত্রপতি ভবনদা-রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু উন্নদুনা অনৌবা সরকার শেমবা দাবী তৌখিবনি। মদুগী মমাংদা, বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দানা লুচিংবা এন.দি.এগী মীহুৎ কাংবু অমনা রাস্ত্রপতি উন্নদুনা বি.জে.পি. পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবা ওইনা নরেন্দ্র মোদিবু খল্লে হায়বগী চেরোল অমদি এন.দি.এদা য়াওরিবা মপাং দলশিংনা মহাকপু শৌগৎলি হায়বা চেরোল পীশিনখি।

রাস্ত্রপতি ভবনগী মপানদা ৰা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-এন.দি.এনা মরা চেৎপা অমদি চাউখৎপদা য়ুম্ফম ওইবা সরকার অমা শেমগনি। মহাকা হায়-মন্ত্রি ওইগদৌরিবশিংগী লিষ্ট রাস্ত্রপতিদা পীশিল্লগনি। মহাকা হায়-এন.দি.এ. সরকারদা মীয়ামনা খুদোংচাবা অমগা অমুক পীরবনিনা হৌজিক চৎলিবা ১৮ শুবা লোক সভা অসি অনৌবা অমদি মতিং ফুদোকপা ঙম্বা সভা অমা ওইরগনি। শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী মীয়ামনা মখোয়দা থাজবা থল্লিবা অদু সরকার অসিনা শোয়দনমক্কী মংফাওনহনগনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়-ৰাশক লৌবগী থৌরমদা শ্রীলঙ্কাগী রাস্ত্রপতি, মোলদিপকী রাস্ত্রপতি, সিসিলিসকী উপ রাস্ত্রপতি, বঙ্গলাদেস, মাওৰিসস, নেপাল অমসুং ভুটানগী প্রধান মন্ত্রিশিং ৰাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

নীংশিংবা য়াই, হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা সিট ৫৪৩ গী মনুংদা এন.দি.এনা সিট ২৯৩ দা মায় পাকখিবনি। ৰাশক লৌবগী থৌরমগা লোয়ননা দিল্লি পুলিসনা অখন্নবা ঙাকশেলগী থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌরে। ৰাশক লৌবগী থৌরম মনুংদা দ্রোন, হোট ইয়ার বেলুন, পেরা গ্লাইদর, হেন্দ গ্লাইদরনচিংবা পাইবা থিংলে। অথিংবা অসি মথংগী নুমিৎ নিনি ফাওবা চৎনগনি।

**কংগ্রেস ঃ** কংগ্রেস ৰার্কিং কমিতিগী মীফমনা দলগী লুচিংবা রাহুল গান্ধিবু লোক সভাদা বিরোধি লুচিংবা ওইবীনবা হায়জখ্রে। কংগ্রেস ৰার্কিং কমিতিগী মীফম ঙসি লোইরবা তুংদা, দলগী লুচিংবা কে.সি. ভেনুগোপালনা হায়-রাহুল গান্ধিগী লুচিং মখাদা মপাঙ্গল কনবা, শক্তি লৈবা বিরোধি অমা শোয়দনা সভাদা লৈগনি হায়বগী থাজে।

দলগী লুচিংবা জয়রাম রামেসনা হায়-কংগ্রেসকী হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখল অসিনা কংগ্রেস দলগী ওইনা পুকিং থৌগৎনিংঙাই ওইরি। মহাকা হায়-দল অসিনা হন্দক্কী মীখলদা ওইরকখিবা ফিভম রাজ্য থাক্তগী কুপা য়েংশিল্লগনি।

কংগ্রেস ৰার্কিং কমিতিগী মীফম ঙসি পাঙথোক্তুনা দলগী লুচিংবা সোনিয়া গান্ধিবু কংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী চেয়ারপার্সন ওইনা খনখ্রে। ঙসি নুমিদাংৱাইরম  ন্যু দিল্লিদা লৈবা সংসদকী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা দলগী প্রসিদেন্ট-মালিক অরজ্ন খর্গেনা কংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী চেয়ারপার্সনগীদমক সোনিয়া গান্ধিগী মিংবু প্রস্তাব তৌখি। দলগা লুচিংবা গৌরব গোগোই, তারিক অনুৱার, কে. সুধাকারননা সোনিয়া গান্ধিবু চেয়াপার্সন ওইনবগীদমক শৌগৎখি। মীফম লোইরবা তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা দলগী

প্রসিদেন্ট-মালিক অরজন্ খর্গেনা হায়-সোনিয়া গান্ধিবু কংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবী ওহ্না খনবা হায়বসি দল অসিগী ওইনদি লাইবক ফবনি অমদি দল অসি হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা শ্রীমতি গান্ধিনা লমজিংগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

**ৱাশকঃ** অন্ধ্র প্রদেস অমসুং উরিষ্যাদা অনৌবা সরকার ৱাশক লৌনবা শেম শাবা লোয়রে। উরিষ্যাদা অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ৱাশক লৌবগী থৌরম নিংথৌকাবা নুমিৎতা ভুবনেশ্বরদা লৈবা জনতা মৈদানদা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিগী অয়ুক্তা বি.জে.পি. লেজিসলেচর পার্টিগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি। হৌজিমক্কী ওইনা অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি কনানা ওইগদগে হায়বসি চপ চানা লেপত্রি। মুখ্য মন্ত্রি ওইরবা য়াই হায়বশিংগী মনুংদা লোক সভা সদস্য তরুকলক ওইরক্লবা অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি-জ্য়েল ওরাম, কেন্দ্রগী মন্ত্রি ধর্মেন্দ্র প্রধানচিংবা য়াওরি।

তেলুগু দেসম পার্টিগী প্রসিদেন্ট-এন.চন্দ্রবাবু লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অন্ধ্র প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম বিজয়ৱাদাদা অয়ুক পুং ১১ মিনিট ২৭ তা পাঙথোক্কনি।

ইং কুমজা ২০১৪ দা অন্ধ্র প্রদেস অনি খায়দোকখ্রবা মতুংদা চন্দ্রবাবু নাইদুনা রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রি ওইবা অনিরকশুবনি। অদুগা তেলুগু অমা ওইনা অন্ধ্র প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি ওইবনা মরিরকশুবনি।

**যোগঃ** যোগ শান্নবনা মীওইবগী হকচাংদা কয়া য়ামা কান্নবা পীবগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না শিনগদৌরি।

ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং সেক্রেটরি-সঞ্জয় জাজ্না ইন্টরনেসনেল ডে ওফ যোগগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনখি।

পব্লিক সার্ভিস ব্রোদকাষ্টর-প্রসার ভারত্তিনা অকাশবানি অমসুং দুরর্দশনগী খুত্থাংদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়ামরুম শন্দোক্কনি। মন্ত্রালয়না হায়-দুরর্দশননা যোগা এক্সপার্টশিংগা উন্নবগী থৌরম কয়ামরুম শন্দোক্কনি। অকাশবানিনা যোগবু চাউখৎহন্নবা অমদি মীওইবগী পুন্সিদা তৎন-থানবা য়াদ্রবা থৌরাং অমা ওইহন্নবগী থৌরম কয়া শন্দোক্কনি।

**ক্রিকেটঃ** য়ু.এস. এ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইদুনা হৌজিক চত্থরিবা আই.সি.সি. টোইন্তি টোইন্তি মেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা হয়েং নুমিদাং পুং ৮ তাবা মতমদা ন্যু য়োর্ককী নসাউ কাউন্তি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ভারতকা পাকিস্তানগা থেংনরগনি।

হয়েং অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুম্বু ৱেষ্ট ইন্দিজগা য়ুগন্দাগা শান্নগনি। ঙসি অথেংবদা ওষ্ট্রেলিয়াগা ইংলেন্দগা কেন্সিনটনগা ওভেলদা শান্নরগনি।